## শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ-২০২১-২২

# নোংইন শুমাং লীলা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'নাকেন্থাগী মৈশা' উৎখ্রে

**নোমিতা খোংবান্তাবম**

ইম্ফাল, মে ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল (এম এস এস এল সী) না শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরক্লিবা শুমাং লীলাগী নীংথম কুম্মৈ, ২০২০-২২গী ঙসি তরুকনি চল্লকপদা নোংইন শুমাং লীলা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী 'নাকেন্থাগী মৈশা' উৎখ্রে।

লীলা অসি য়েস মৈতৈনা ইরগা লাইশ্রম তোম্বনা দিরেক্সন পীবদা নত্তনা ঈশৈ ময়েকসু মহাক্না ইবনি।

লীলাগী ৰারীদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মচানুপা নাইতোম পোকচবা ওইনা নুংঙাইনা মনিং তম্না লৈরকখি। মিনিষ্টরগা তিন্নজবা মরুপনা লৈখিদবদা মচানুপী ডাক্টরবু



মচানুপীগুম্না খন্দুনা লৈহনখি। অদুবু অঙাং অনীগী মরক্তগা লৈনরকপা অরোনবা মরী খঙবা ঙমদবা, মচিন মৌপ্পাগুম্না খনবদগী মচানুপাবু লুহোংনবা হায়ন-শীংনদুনা লুহোংনবা হোৎনরকপদা লুহোংগদৌরিবী নুপীদু লুহোংবগী বর য়ৌরক্লবা মতমদা চেনখিবদগী মনাওনুপীগা লুহোংখিবগী শক্তম উৎলি।

মিনিষ্টরনা মচানুপাবু নুংঙাইহল্লগনি খঞ্জখিবগী ওন্ন-তৈনবদা লৈরম্বা যূম্বাল অদুদা ঈরাক্লখি। মপুরোইবা অমদি মচন শাবী অনীগী অরোনবা যূম্বানবগী মরীনা নাওপুরকখি। অরোনবা মচা অদুনা ফোঙলক্কদবা কয়া অদুদগী নাওপুরিবা মচা মাঙহন্নবা হায়রুবদা য়াদবদগী হাৎতোকপীখি। মীহাৎপা কনানো ফোংনা খঙবা ঙমদ্রগসু এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মচানি হায়বা পুলিসনা খঙখি। অদুবু মচা ওইরবসু মপানা কনখিদে। মরালগী ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহন্দুনা কৈশুমশঙদা থমখি। অচৌ অশাং ওইবা মপাগী নুংঙাইবা ইপাক্তা তাওদুনা হিংবা পুন্সি মহিং অদুনা যূম্বানলোন করিনো খঙদনা মনীং তম্লুবদগী ফংলকপা চৈনা উৎপা লীলানি।

নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা লাইশ্রম তোম্বা, থোইহেনবদা ঈ রোমেস, নোংথোন্দা টি ঐচ সরত, খেকপদা কে নিরঞ্জন, খোইঙাংদা এ ব্রজলাল অমসুং সনাথোইদা টি ঐচ কেন, মোইরাংনি।

নুপীগী শক্তমদা লেম্বীদা কে সোমোরজিৎ, লন্থোইবীদা সর্জু উৎলৌ অমসুং ডা. চনগী শক্তমদা এন ঙানবনি। ঈশৈ নোংমাইদা টি ঐচ রাজেসনা নুপা খোঞ্জেল শক্লগা কে এস ঐচ ধনেশ্বরনা নুপী খোঞ্জেলদা শৈশকখি। ওর্গানদা আর কে, তবলাদা এম বিশেশ্বর, পেট ড্রমদা অজিৎ, বাঁসিদা মোরাম্বা অমসুং গিতরদা গোপিনি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩০.১১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৮৪°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১০.০২
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৭

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 82.792203 |
| US Dollar | 77.562796 |
| British Pound | 97.033028 |
| Australian Dollar | 54.911870 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.620888 |
| Japanese Yen | 0.610802 |
| Malaysian Ringgit | 17.650200 |
| Singapore Dollar | 56.387653 |
| South Korean Won | 0.061286 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.683412 |
| Thai Baht | 2.266357 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no - 8787632782, 6009194940

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.**
**BOOKING UPTO DATE.**
**STOCK. 306**
VALID FROM MAY 2022.
FOR HOME DELIVERY M.NOS. 9366597565 / 9089766365 & M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.7.30 AM.TO.11.30 AM.

**TDK GAS**
**BK. UPTO. 23/03/22.**
VF.19/03/22.
**STK. 306.**
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 04/05/2022
**BOOKING UPTO: 07/05/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-24-02-2022,**
VALID FROM 13-02-2022,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 12/05/2022
Valid from 17/04/2022

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

## হিন্দিবু কম্পলসরি ওইহনবা হায়বসি ...

*লামায় ১গী মখা...*ওইনদি নিপানশুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবা ঐখোয়গী লোল অসি ওইনা তমগদবনি হায়খি।

যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি ঐখোয় খুদিংমক্না য়াম্না মুন্না নৈনফম থোকই। ইশাগী ওইবা লোল অমদি ময়েক চাওখৎহনবা হায়বসিনা ঐখোয়গী অহানবা থৌদাং ওইনা লৌগদবনি। নিপানশুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোল অমা তম্বা হায়বসিদা অকায়বা লৈতে। মরম অদুনা ইশাগী ওইবা লোলদা তম্বা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্ন ফবা ওইগনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা অসিগুম্বা মখলগী সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোক্লিবা অসি থাগৎনিঙাই ওইহায়খি। ভেটরান জর্নেলিষ্ট এন্দ লেংগ্বেজ এক্টিভিষ্ট লৈহাউথাবম সরতচন্দ্রনা ৱাতেম্লোই ওইদুনা পাঙথোকখিবা ঙসি নোংমগী ওইবা মীয়ামগী মীফম অদুদা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাংনা থৌরম মপু অদুগা ফোরম অসিগী পেত্রোন মেম্বর কোঞ্জেংবম দিল্লিপনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম; ডা. নাওরেম সনাতোম্বা, দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুর, এম য়ু; ডা. নরেংবম রজিবকুমার, প্রিন্সিপাল আই আর ঈ গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসন, ৱাংজিং; পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী লাইফ টাইম মেম্বর এস কে অপানবা; ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস যুনিয়নগী প্রসিদেন্ট হাওবিজম চলাম্বা অমসুং দেসামগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম লময়ানবা মৈতৈনা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

## বিহারদা মশাগী নুপী হাৎলম্লগা ...

*লামায় ১গী মখা...* অসিগী মথক্তা চার্জশীট থাগৎলক্লবা মতুং মীওই অসিনা পটনা হায় কোর্টতগী বেল লৌখ্রগা মীরোৎ ওইদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু ঙসি বিহারগী সিতামারহি পুলিস লাইনগী সব ইন্সপেক্টর রাজেসকুমারনা লুচিংবা টিম অমা লাক্লবা মতুং এস পি মশাগী সুপরভিজন মখাদা এদিসনেল এস পি (এল ও) অগষ্টিন খোংসাই, ৱাইখোং পি এসকী ও সী, সী ঐচ সঞ্জয় খা ঙানবা অমদি এস আই এল জিবনগা লোয়ননা মীওই অসি ৱাইখোং পি এসকী মনুং চনবা মফম অমদগী ফাগৎপা ঙমখবনি হায়রি।

বিহার পুলিসকী টিম অদুনা মহাকপু ফাননবগীদমক নুমিৎ হুমনিগী মমাঙদগী লাক্তুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মতেং লৌরখিবনি অমসুং বিহার পুলিসতা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী মায়কৈদগী মতেং পাংখিববুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লমখি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা য়াওখিবা বিহারগী সব ইন্সপেক্টর রাজেসকুমারনা চার্জশীট থাগৎপগী মতুংইন্না ৱায়েল চথরগা কনভিক্সন শোয়দনা ফংলগদবা মীওই অমা মীরোৎ ওইখিবদগী মহাক্কী খোঙ্গুল লীরকপদা ককচীংগী এস পি অমদি অতৈ ওফিসরশিংনা মতেং পাংবীখি হায়বগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোক্লমখি।

## কম্বাইন্দ ফোর্সনা খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অমরোমদা, খাবৈশোইগী স্পেসল কম্মান্দো যুনিট, চকপিকারোং পুলিস অমসুং ৪৩- এ আরগী কম্বাইন্দ টিম অমনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পরিংদা পেত্রোলিং চৎপদা শক্তিমান ত্রক অমদগী সাপোন কেপ ১৮৬তা হাপ্লগা পুরকখিবা ব্রাওন সুগর অমসুং শেল ওইনা লুপা ৪৯,৬২০ অমদি মোবাইল ফোন ৫ ফাগৎলে হায়রি।

কম্বাইন্দ টিম অদুনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পরিংদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌগদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী চঙশিন্দুনা পেত্রোলিং চথবদা ব্রাওন সুগর পুরকখিবা শক্তিমান অদুনা কম্বাইন্দ ফোর্স থেংনদনবা অতোপ্পা লম্বীদা চৎখিনবা হোৎনখিবনি অদুবু কম্বাইন্দ টিমনা খঙলকপদগী খাম্লগা চ্যেক তৌখিবনি। মফম অদুদা ৱিটনেস ওইবীগদবা মীচম অমত্তা ফংখিদে। অদুম ওইনমক গাড়ী অদু চ্যেক তৌবদা ব্রাওন সুগর অমসুং শেনফমশিং অসি লোৎশিন্দুনা পুরম্বা থেংনখিবনি হায়রি।

থৌদোকসিগা মরী লৈননা ফারবশিংনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মোলচাম ভিলেজদগী সৈতিন্থাং হাওকিপ (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংখোঙম, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী য়াঙৌবুং ভিলেজদগী ঙম্মিনলুন গুইতে (২৫) অপোকপা তোনমিন্থাং গুইতে, সৈমিনলুন গুইতে (২৪) অপোকপা থেমসৈ গুইতে, সৈমিনলান গুইতে (১৬) অপোকপা য়াংখোমাং গুইতে অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চমপোল ভিলেজদগী দৌখোসৈ মাতে (৩৫) অপোকপা হোলখোথাং মাতেনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অমসুং পোৎলমশিং অদু চকপিকারোং পি এসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং শুগুনুগী কম্মান্দোনা নুপী পুলিস পর্সনেলশিং য়াওনা শুগুনু অমদি ৱাপোকপী এরিয়াদা থি-হুম্বগী থবক চথরিঙৈদা পুলিস টিম উবদা চেনখিনবা হোৎনবা কার অমা তান্নদুনা ফাগৎখি। কার (সন্ত্রো) অদুগী নম্বরনা এম এন ০২/জি-০৪৩৭নি হায়রি।

কার অদু ৱাপোকপী চীঙ্গোল লৈকায়দা লৈবা ৱাংখেম সরকার মৈতে কৌবা অমগী যূমদগী ফাগৎখিবনি। গাড়ী অদুদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা সাপোন কেপ ২২দা হাপ্লম্বা হিরোইন পাওদর গ্রাম ২৯৩ ফাগৎখি। দ্রগশিং অদুগা কোন্ননা কার অদুনা লৈরম্লিবা ইমুং অদুগী যূম্বু ফাগৎলগা শুগুনু পি এসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

## পোজিটিভ কেস অমুক্কসু থেংনদ্রে, এক্টিভ কেসতি ...

*লামায় ১গী মখা...* মশীং ২১২০দা লৈখিবা অদুদা অদুমক লেঙদনা লৈরি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,৩৭,২৩১ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,৩২,২১৭ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৫,০১৪) শুখ্রে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবশিংনা ১,৩৫,১১০ (জেনরেল পোপ্যুলেসন- ১,৩০,১০৩ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৫,০০৭) শুখিবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৪৫তা লৈরি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা বিষ্ণুপুরদগী ১, চান্দেল ১৯, ইম্ফাল ইষ্ট ২৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩০, ককচীং ২, কাংপোকপী ৩, নোনে ১, সেনাপতি ২৩, তমেংলোং ১, তেংনৌপল ৫, থৌবাল ৬ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৬কী য়াওনা অপূনবা সেম্পল ১২৮ টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনরকখিদবনি।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্লনবা লেপ্তুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ১৬০, বি টাইপ ২১নি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসকী মশীং অমত্তা লৈতনা জিরোদা লৈরবনা জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্নবা খাক্তুনা থম্লক্লিবা ফমুংশিং মথংশিংনা ১০০ অমসুং ৪৭তসু পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে।

অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ১৫৪৫ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২৮,৮৬,৮৩৮ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,৬৭,৫১৮নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,২৪,৬১৯নি। অদুগা প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৯৪,৭০১নি হায়রি।

ঙরাং মে ২৪, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৮৬, অনীশুবা দোজ ৬০.৮৭, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.২১, অনীশুবা দোজ ৬৭.৩৯, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬২.৬৮, অনীশুবা দোজ ৫৭.১৫, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৬.০৯, অনীশুবা দোজ ৬৪.২০, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৭৪, অনীশুবা দোজ ৬৭.৬৯, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৫.৯১, অনীশুবা দোজ ৩০.৮৬, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩১, অনীশুবা দোজ ৩৪.৮৫, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.২৭ অনীশুবা দোজ ৫০.৯৮, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.০৪, অনীশুবা দোজ ২৫.৪২, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪২, অনীশুবা দোজ ৩৭.৫১, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৭৩, অনীশুবা দোজ ১৭.২২ কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৪৮, অনীশুবা দোজ ২৯.৮৯, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৬, অনীশুবা দোজ ৬১.৬৭, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.২৩, অনীশুবা দোজ ৩৮.৩৬, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৪, অনীশুবা দোজ ৩৪.৬৭, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.৩০, অনীশুবা দোজ ৬৭.৫১নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.৮৪নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫১.৯৯নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

# নীংথিজনা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লবদি শিরুই...

*লামায় ১গী মখা...* শিরুই ভিলেজ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ পোথোকশিং উৎপা ষ্টোলশিং হাংগনি। ফেষ্টিবেল অসিগী অতোপ্পা মফমশিংনা দুংরৈগী বাক্সি গ্রাউন্দদা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তগী লাকপা ম্যুজিক বেন্দশিংনা সিঙ্গিং কম্পিটিসন-সিরোকসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

ঙসিগী ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরম অসিগী ময়ায় তাংবল লৌখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মাইনোরিটি এফেয়রস অমসুং পি এম জে ভি কে স্কিমগী মখাদা শিরুই হেরিটেজ ভিলেজ শাগৎনবা অমসুং বাক্সি গ্রাউন্দ শেমগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ৪৬ সেঙ্কসন তৌরে হায়না লাউথোকখি। প্রোজেক্ট অসিগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি হায়রদুনা লোক্তাক য়াওনা শিরুইদসু কেবল কারশিং শেমগৎপগী থবক হৌরগনি হায়খি।

পেট্রিগ্রিয়ু কোলেজবু যুনিভর্সিটিগী থাক্তা ওনখৎপগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা কোলেজ অসি মণিপুরগী কোলেজশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লীরবা কোলেজ অমনি হায়রদুনা কোলেজ অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক হৌজিকসু চথরি হায়খি।

লৈঙাক্না ক্বালিটিদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই লোয়ননা ফন্দ লান্না শীজিন্নবা অমসুং লৈঙাক্কী মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিং লোগী মতুংইন্না স্ক্রুটিনি তৌগনি হায়খি।

ঙসি ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী ইতোপ তোপ্পা কুম্মৈ অমদি উখ্রুলগী অৱাং থংবা শরুক্তা তাঙনা ফংবা ষণদং, তাঙ্খুলগী মাঙশিল্লক্লবা হুই-হাওফা অমসুং মমিং চৎলবা লুংপিগী লৈবাক্লা শাবা পোৎলমশিংনা ওইখি।

ফেষ্টিবেল অসিগী মনুংদা মিস শিরুই লিলি ব্যুটি কন্টেষ্ট, সাইক্লিং, মরাথোন, সভেন এ সাইদ ফুটবোল, এসে কম্পিটিসন অমসুং ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম য়াওনা অতৈ থৌরম কয়াসু য়াওগনি। লোয়ননা মিস যুনিভর্সকী অহুমশুবা রন্নর্স-অপ এদলাইন কাষ্টেলিনোনা ফেসন শো হৌদোকপদা শো ষ্টোপ্পর ওইবগা লোয়ননা বৃটিশকী মমিং চৎলবা ম্যুজিক বেন্দ 'দি মোন্যুমেন্ট' না থা অসিগী ২৮দা বাক্সি গ্রাউন্দদা রোক বেন্দগী শো পাঙথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ফেষ্টিবেল অসিগী অহানবা ওইনা হন্দক্কী এদিসন অসিদা মিস শিরুই লিলি খনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি অমসুং মীওই লাখ মঙা রোম্না শরুক য়াগনি হায়নসু পান্নরিবনি।

## কম্মিসনননা চীফ সেক্রেটরি ১সুং পুলিস ...

*লামায় ১গী মখা...* দি জি পি, মণিপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমসুং সিটি পুলিসকী ওফিসর ইন চার্জনি।

পিটিস্নরনা কম্মিসনদা ৱাকৎলক্লিবনা মহাকপু সিটি পি এসকী কেস অসিগা মরী লৈননা অনলোফুল ওইবা মওংদা পি এস অসিগী ও সীনা ফাজিনখি। মহাকপু ফাজিনখিবগী মরমনা এপ্রিল ৯, ২০২২দা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌখিবা ইম্পেক্ট টি ভিগী 'মনুং হুৎনা' গী থৌরমদা মহাক্না শরুক য়াখিবদা যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মায়োক্তা ৱাকৎনরকখিবদগীনি হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক সিটি পি এসনা কমপ্লেনেন্ট অসিবু ফাজিনখ্রবসু এপ্রিল ১২, ২০২২দা মহাকপু ফাজিনখিবা থৌওং অদুমক ইল্লিগেল ওইবা থৌওংনি হায়রদুনা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনা বেল পীরকখি হায়রি। মরম অসিনা পুলিসকী থৌওং অসিগী মায়োক্তা কম্মিসনননা খূৎ থিংজিনবীবগা লোয়ননা পীফম থোকপা দিরেক্সনশিং পীবিয়ু হায়বসিনি।

পিটিস্নরগী ৱারোলশিং তারবা মতুংদা কম্মিসনননা কমপ্লেন্ট কেস অসি লৌখৎলগা ঙসিমক কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিগী ক্বারমনা কেস অসিগী প্রোসিদিং চথখ্রে। লোয়ননা চীফ সেক্রেটরি য়াওনা পুলিস ওফিসর ৩দা কমপ্লেনেন্ট এস শ্যামচরনবু ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ফাজিল্লুই হায়রিবা অসিগীদমক করিগীদমক্তা কেস অসিগী কমপ্লেনেন্টদা ইন্টরিম মোনেটরি রিলিফ পীবা য়াওনা মতিক চাবা দিরেক্সনশিং পীরোইদবগী মরম মথং থাগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা কম্মিসনদা পীরক্নবা নোটিস পীখিবনি। লোয়ননা নুমিৎ অদুদা কেস অসি অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু খঙহনখিবনি।

## অবদুল্লা মীশিগী জে এ সীগা পুলিসকা...

*লামায় ১গী মখা...* ঙমখিদে। তুংদা য়াম্লবা মীয়াম অদু তোংলকখিবা গাড়ীশিংনা ৱাইথৌ য়ৌরকপদদি পুলিসকগী মরক্তা অমুক হন্না মুক্লবা থোরকপদগী পুলিসনা য়াম্লবা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখিবনি।

পুলিসনা মীয়াম অদু কন্ট্রোল তৌরবা মতুংদা জে এ সীগী কো কনভিনর এম কে রৈহননা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা মীহাৎ অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা জে এ সীনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারি তৌগদবনি। থা অসিগী ২৮গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা মীহাৎসিদা চেন্নবশিং ফাগদবনি। লোয়ননা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা চার্জশীট থাগৎকদবনি হায়খি। অদুবু হৌজিক ফাওবদদি মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈরি হায়রদুনা দিমান্দশিং অসি তকশিল্লদুনা থা অসিগী ২৭কী অয়ুক পুং ৫দগী ২৯গী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা অচুম্বা ৱায়েল পাম্বা সী এস ওশিং, নুপী লুপশিং, ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনসু মপূং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়খি। নুমিৎ নীনি চথুগদবা বন্দ অসিগী মনুংদা মৈ, ঈশিং, অনা লায়েং, লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিংগীদি কোমথোক্কনি হায়খি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা জে এ সীগী দিমান্দশিং অসি থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি মসিদগী হেন্না কনবা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়নসু কো কনভিনর এম কে রৈহননা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# প্রোটেষ্টর ১সুং পুলিসশিংনা চুড়াচান্দপুর...

*লামায় ১গী মখা...* পর্সনেলশিংগগী মরক্তা চুড়াচান্দপুর টাউন লানফম ওনখ্রে।

চৈরকসিদা ডা. মার্ক ফাজিনখিবগী মায়োক্তা কাংপোকপীদসু মীওই কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা পুলিসনা আই পি সীগী সেক্সন ১৫৩ (এ) বু লান্না শীজিন্নদুনা ডা. মার্ক ফাজিনখিবনি হায়রদুনা মহাকপু খুদক্তা থাদোরক্নবা কাংপোকপীগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী খূত্থাংদা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে।

ঙসিগী চুড়াচান্দপুরগী অকনবা লানফম অদু অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা ডা. মার্ক ফাজিনখিববু য়ানীংদে হায়দুনা থোক্লরকখিবা মীয়াম্না তুইবোংদা লৈবা পিছ গ্রাউন্দদগী পিছ রেল্লি অমা চৎননবা হোৎনরকপদগী হৌরকখিবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী চৎকদৌরিবা রেল্লি অদুগী অয়াবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী লৌদে হায়রদুনা রেল্লি অদু চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি। পুলিসনা অথিংবা থম্লকপদগী রেল্লি চৎননবা থৌরাং তৌরম্বা মীয়াম অদুনা তুইবোং কম্যুনিটি হোলদা পূনশিন্দুনা লৈরবা মতুং খঙহৌদনা পুলিসকী অথিংবা অদুবু নমখায়দুনা রেল্লি চৎননবা হোৎনরকখি। পুলিসকী মায়কৈদগীসু পার্মিসন য়াওদনা রেল্লি চৎনবা হোৎনরকখিবা অদুবু কন্ট্রোল তৌদুনা চৎনহন্দনবা হোৎনরকপদা টিয়র গ্যাস সেলশিং শীজিন্নবা হৌরকখি। পুলিস পর্সনেলশিংগী মায়কৈদগী টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা মীয়াম অদুবু তানখায়নবা হোৎনরকপদা প্রোটেষ্টরশিং অদুগী মনুংদগী খরনা পুলিস তম্না নূঙনচিংবা থাদুনা এটেক তৌরকখি। লোয়ননা মফম অদুদগী মীওই খরা ফাগৎপগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিংনসু পুলিস পর্সনেল খরা ফাজিন্দুনা থম্লুরবা মতুং কোন্না থাদোকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লরকখিবা অদুগী ফীভম হেন্না শাথীরক্তুনা নূঙ অমসুং চৈ পায়বা প্রোটেষ্টরশিংনা টিদিম লম্বী মশাং থিংজিনবা হৌরকখি। য়ামদ্রবদা লম্বী পরিং অসিগী মফম ৫ রোমদা নূঙজাও, উ-ৱা ফৈজিনবগা লোয়ননা ত্রাফিক বেরিকেদনচিংবা শীজিন্নরগা টায়র মৈ থাদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকখি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ডা. মার্ক থাংমাং হাওকিপ অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি হায়বা য়াওনা 'ৱি ৱান্ট জষ্টিস' হায়বা খোল্লাউশিং লাউদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর উন্ননবগীদমক মিনি সেক্রেটরিএট তম্না থোমজিল্লকখি।

মীয়াম অদুগী মরক্তা য়াওখিবা নিমিনলুংদিম কৌবা প্রোটেষ্টর অমনা ফোঙদোরকখিবদা মীয়াম অদুনা ডা. মার্কপু ফাজিনখিবগী মায়োক্তা পিছফুল ওইবা রেল্লি অমা চৎতুনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিদা খঙহন্নবা হোৎনবনি। অদুবু পুলিসনা অথিংবা পীরকপা অসি নুংঙাইতে হায়বগা লোয়ননা মখোয়গী খোঙজং অসি ফাজিনখিবা ডা. মার্কপু থাদোরক্ত্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা চথগনি হায়খি।

অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি শ্রিভানন্দ সুর্ভেনা লুচিংবা মশীং য়াম্লবা পুলিস পর্সনেলশিংনা মীয়াম অদুবু তানখায়দুনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপদা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপ্পদগী প্রোটেষ্টর ১০ রোম অশোক অপন নংখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ৪না ফীভম লুনা শোকখি। নাকল অমরোমদনা প্রোটেষ্টরশিংনা নূঙনা থোন্লকপদগী পুলিস পর্সনেল ৩সু অশোক অপন নংখি হায়রি।

ঙসি হৌরকখিবা মীয়াম অদুগী মনুংদা য়াওবা প্রোটেষ্টর অমনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না ডা. মার্কক্কা লোয়ননা লৈগনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্তি হ্যুমেন রাইটস ঙাকপা মীওইনি। মহাকপু থাদোক্লবগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজংদা জোমি অমসুং কুকিশিংসু শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

নুমিৎযুংবা মতুংদা প্রোটেষ্টরশিংগা সাইকোটকী এম এল এ পাওলিয়ানলাল হাওকিপকা উন্নদুনা প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তগী মাঙজিল থাবা মীওই ৩ খনগৎলগা ৱারী শানখি। মতম অদুদা এম এল এ য়াওনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মায়কৈদগীসু প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখিবনা ইম্ফালদগী অহেনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং লাক্তে হায়না খঙহনবগা লোয়ননা নুংথিলগী মতম ওইরকপদা মীয়ামগী ঈহৌ অদুগী ফীভম খরা নেমথখিবদগী মহৌশাগুম্না টিদ্দিম লম্বী পরিংদা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াখি।

অদুম ওইনমক পিছ রেল্লি চৎননবা হোৎনরকপদা পুলিসনা থিংবদগী খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বীদা চৎলম্বা পেসেঞ্জর বস য়াওনা মখল কয়াগী গাড়ীশিংগী মিংশেলশিং নূঙনা থোমদুনা অমসুং চৈনা কন্দুনা থুগাইখি।

চুড়াচান্দপুরগী থৌদোক অসিগুম্না কাংপোকপীদসু ডা. মার্কপু কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না দিমান্দ প্রোটেষ্ট অমা ঙসি কাংপোকপী টাউন্দা চথখি। কাংপোকপী টাউনগী মীয়াম অদুনা বৃগেদিয়র এম থোমাস গ্রাউন্দ তম্না লাক্লগা মহাকপু অনকন্দিসনেল ওইনা খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌখি। লোয়ননা ডা. মার্ক হাওকিপ থাদোকউ, লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন হিংলিব্রা, ঐখোয়না অচুম্বগীদমক লান্থেংনগনি, মহাক ফাজিনখিবা লোনা য়াদে, লো লৈরিব্রা হায়বনচিংবা স্লোগানশিং লাউখি।

কাংপোকপীদসু হায়রিবা ঈরাং অসি থোরকপদগী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা কাংপোকপী এস পিগী রিপোর্ট মতুংইন্না মফম অদুদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখি। লোয়ননা মফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (এল ও), ওপস অমসুং গমনোম সপরমৈনা পি এসগী দি এস পিনচিংবা চঙশিল্লক্তুনা পামদবা থৌদোক থোরক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

অদুম ওইনমক কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ত্রাইবেল রাইটস, মণিপুরগী মায়কৈদগী ডা. মার্কপু পুলিসনা আই পি সী সেক্সন ১৫৩ (এ) লান্না শীজিন্নদুনা ফাজিনখিবনি হায়রদুনা মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীরক্নবা গভর্ণরদা দি সীগী খূত্থাংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

কাংপোকপীদা চথরকখিবা প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা কম্মিটি ওন প্রোটেক্সন ওফ ত্রাইবেল রাইটস, মণিপুরগী কনভিনরনি হায়বা মাংবোই হাওকিপনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা ডা. মার্ককী ৱাফম অদু ফেদরেসন ওফ হাওমি অমসুং কংলৈপাক কনবা লূপনা কুকিশিংবু ফোরেন্নরনি অমসুং রিফ্যুজিনি হায়খিবগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখিবনি হায়রদুনা ষ্টেট অসিদা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা হোৎনরকপগীদমক ফেদরেসন ওফ হাওমি অমসুং কংলৈপাক কনবা লূপ্পু মরী লৈনবা লোগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্টনা ফাগদবনি হায়খি।

অমরোমদা কুকি ৱিমেন যুনিয়ন সদর হিলসকী প্রসিদেন্ট মাৱিনুনা ফোঙদোকখিবদনা ডা. মার্ক ফাজিনখিবা থৌওং অসিনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী 'চীংমী তম্মী অমত্তনি' হায়বদুগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লে হায়খি।

ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিএসন য়ূঠ ৱিংগী মেম্বর লালবোয় হাওকিপনসু ডা. মার্কপু অনকন্দিসনেল ওইবা মওংদা থাদোরক্লবা অমসুং মাগী মথক্তা চার্জ তৌরিবা কেসশিং হন্দোক্লবা খুদক্তা বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা খূৎ থিংজিনগদবনি হায়খি। কাংপোকপীগী প্রোটেষ্ট অদু কাংপোকপী টাউন খক্তদা পাঙথোকপা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চীংদাই এরিয়াদসু পাঙথোকখি হায়রি।



HL-P/2391/30 April to 21 June